ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯲꯳, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯲꯰ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, ফেব্রুৱারি ২৩, ২০২১, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ৩২০শুবা মশীং

# পেট্রোল, দিজলগী মমল হেনগৎলকপা

## টেক্স হন্থদুনা মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবা হোৎনফম থোকই

পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমল নোংম-নোংমগী হেনগৎলকপা মরম্না মীচম-মীয়ামদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরি। লৈবাক্কী মফম অয়াম্বদা পেট্রোল লিটর অমগী মমল লুপা ৯০ হেল্লে। লুপা ১০০ য়ৌবা মফম খরসু য়াওরে। দিজলগী মমলসু অদু মঙায়রে, মমাঙদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা নোংম-নোংমগী মমল হেনগৎলক্লি। মসিনা মরম ওইরগা অতৈ অতোপ্পা তঙাইফদনা চঙদবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়াগী মমলসু হেনগৎলকপা য়াই হায়না অখণ্ড-অহৈশিংনা মোৎ পীরি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন অমুক্কা হেন্না শোকচিল্লকপগা লোয়ননা মীচম-মীয়ামদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরকপা য়াই হায়না থাজনরি। খ্বাইদগী ইহান-হান্না চৈথেং পীরক্লিবসি মশা-মশাগী গাড়ী অমমম থৌনরিবা মীওইশিংদনি। পেট্রোল অমদি দিজলগী মমল হেনগৎলকপনা ওটোমোটিভ সেক্টরদসু অচৌবা চৈথেং পীরক্তুনা গাড়ী লৈনবগী চাং অঙকপা ফংনা হন্থরক্লে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি। ওটোমোটিভ ইন্দষ্ট্রি অমদি ইন্দষ্ট্রি অসিগা মরী লৈনবা মাইক্রো, স্মোল এন্দ মিদিয়ম ইন্টরপ্রাইজ (এম এস এম ঈ) অৱাবা মায়োক্নরকপা য়াই। মশাগী গাড়ী লৈজদবা মীওইশিংসু অদু মঙায়রে, গাড়ী অতোংমল হেনগৎলক্লগদি চৎথোক-চৎশিনদা অহেনবা শেনফম চাদিং তৌরগনি। মীয়াম্না হৌজিক শীজিন্নরিবা পোৎলম অয়াম্বা মফম অমা নৎত্রগা অমদগী পুশিল্লকপা ঙাক্তনি। ট্রান্সপোর্টরশিংনা পোৎ-চৈ পুশিল্লকপগী অপুমল হেনগৎলকপা থোক্লবদি পোৎ খূদিংমক মমল ৱাংখৎলকপা তাবনি। মদুনা মরম ওইরগা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা থৌরাং পুন্নমক অরেম্বা তাহনখিবা য়াই হায়না থাজনরি। অখণ্ড-অহৈশিংগী মোৎ মতুংইন্না পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমল ৱাংখৎলক্লিবসিগী মরুওইবা মরমদি মালেমগী কৈথেলদা শুংদোক্ত্রিবা থাউগী মমল হেনগৎলকপা অমসুং লৈঙাক্না অহেনবা টেক্স লৌবননি। অদুবু হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদি টেক্স কা হেন্না লৌবগী মহয় ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। মালেমগী ওইনা পেট্রোল অমসুং দিজলদগী টেক্স খ্বাইদগী চাউনা লৌবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়ানা মাঙজিল থারি। পেট্রোল লিটর অমগী মমল চাদা ৬০ রোম লৈঙাক্তা টেক্স ওইনা কারিবনি। দিজলগীনা চাদা ৫৪ রোমনি।

হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর নির্মলা সিতারমননা সেন্টর অমসুং ষ্টেটশিংগী মরক্তা নীংথিনা ৱারী শানবা মথৌ তারে হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। সেন্টরনা লৌরিবা টেক্সকী মতাংদা মিনিষ্টরনা হায়খি, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা করিগুম্বা পেট্রোল অমসুং দিজলদগী লৌবা টেক্স হন্থরবসু মরী লৈনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হন্থরক্ত্রবদি থোইনা কান্নবা লৈরোই। মরম অদুনা সেন্টর অমসুং ষ্টেটশিংগী মরক্তা ৱারী শানদুনা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু খন্নবা চুন্মী হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। চৈরকসিদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ওইনা পেট্রোল অমসুং দিজলদগী লৌবা টেক্স লুপা ১ হন্থরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমীৎতা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ফাইনান্স মিনিষ্টর অমিট মিত্রনা হায়খি, মীয়ামগী অৱাবা কোকহন্নবগী পান্দমদা পেট্রোল অমসুং দিজলদগী লৌবা টেক্স লুপা ১ হন্থনবা ৱারেপ লৌরে। ষ্টেটকী রেভিন্যুদা চাউনা শোক্লক্কদবা লৈরবসু মীয়ামগী অৱাবা কোকহনবনা খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাংনি খন্দুনা ফিরেপ অসি লৌবনি হায়রি। পনবা য়াবদি ষ্টেট-ষ্টেটকী ওইনা খেন্নবা লৈজরগসু সেন্টরনা পেট্রোল লিটর অমদগী লৌরিবা টেক্সকী শেনফম লুপা ৩২.৯০নি। দিজলগীনা লিটর অমদা লুপা ৩১.৮০নি। অতোপ্পা ৱাফম অমনা লৈবাক্কী মফম অয়াম্বদা পেট্রোল পম্পশিংনা পেট্রোল অমসুং দিজলদগী অহেনবা টেক্স লৌরে হায়রিবা কন্ট্রোলর এন্দ ওদিটর জেনরেল (সী এ জি)গী রিপোর্ট অসি তরাইনা লৌফম থোক্তে। পার্লিয়ামেন্টতা হন্দক্তা পুথোরকখিবা সী এ জিগী রিপোর্টনা হায়, থাউগী মমল নুমীৎ খূদিংগী হোংদোক হোংজিন তৌবগী থৌওং চৎথবদা দিলর অয়াম্বনা ঙাক্ত্রে। ইন্দিয়ন ওইল, হিন্দুষ্টান পেট্রোলিয়ম অমসুং ভারত পেট্রোলিয়মগী আউটলেট খরদা মতম চানা মমল হোংদোরক্তবা মরম্না মীয়ামদগী অহেনবা শেনফম খোমগৎখি। মসিনা তোঙানবা ৱাফম অমা ওইখ্রগসু হৌজিক হৌজিক পেট্রোল অমদি দিজলগী মমল হেনগৎলক্লিবসিগী মতাংদা অখন্নবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎলক্ত্রিবসি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি হায়না লৌফম থোকই। সেন্টরনসু ওইরবসু নৎত্রগা ষ্টেটনবু ওইরবসু মতিক চাবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎত্রবনিনা মীচম-মীয়ামগী অৱাবদি অসুম-অসুম হেনগৎলক্লি। মালেমগী কৈথেলদা শুংদোক্ত্রিবা থাউগী মমল ফনা য়াম্না ৱাংখৎলকপা তারগসু সেন্টর অমদি ষ্টেটনা মতম খরদং টেক্স লৌদ্রবদি পেট্রোল অমসুং দিজলগী মমল ফনা য়াম্না হন্থরক্কনি খল্লি। লৈঙাক্না মীয়াম্বু থম্মোয় শেংনা নুংশিরবদি থৌরাং অসিমক থৌনা ফনা লৌখৎপা ঙম্ফম থোকই।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১২

১) মণিপুরীবু বি এদা ভর্নিকুলার সবজেক্ট অমা ওইনা তম্নবা লৈখিবসি করম্বা চহীদগীনো?
২) মীতৈ অমনা সাহিত্য একাদেমিগী বেঙ্গলিগী ট্রান্সলেসন প্রাইজ ফংখি। ট্রান্সলেটর অসি কনানো অমসুং করি লাইরিকপু করি হায়না হন্দোকপদা ফংবনো?
৩) "চে মতৎ অসিগীদমক্/ৱানরিবনি, কপ্পরিবনি,/ঈ দান্ তৌনরিবনি/মীনাই য়োল্লিং থাংনরিবনি/খল্লিঙৈ লম্বী ময়ায় 'দুদা,/শাথীরবা হোর্ণ অমনা,/ইন্থোরকপগুম্ তৌখি ঐহাকপু/লম্বীগী চিদাই 'মদা।"
শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা, করম্বা শৈরেংদগীনো অমসুং করি লাইরিক্তা য়াওবনো?
৪) মখাদা পীরিবা শৈরেং মতেকসি অরিবা লাইশোল অমদগীনি, করি লাইশোন্দগীনো?
"লহাননোং হয়িঙৈদা মপা মচল/তাওবীনা থিংনা লাইরেন য়ুকৌএ।।/ঈথিং লাইরেন তাওরোইনাই-ও/তুবী নউন মাবু হুবীরম-ও/লাইরেন নতাংমাবু শিৎপীরম্মো।।"
৫) হিজম গুণ সিংহগী করি করম্বা লাইরিকপু যামিনি সুণ্ডর গুহ গোল্ড মেদল করি চহীদা পীখিবগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ২৮, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# থৌনা ফবী হেল্থ ৱার্কর অমগী ৱারী মতেক অমা!

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৪১**

**জিতেন নামৈরাকপম**

ওন্থোক্না নুংঙাইতবা ফাওই অশি-অনাগী পাউ তাবসি। লাইমক্না পোকঙমদবা মীওই মপোক্তা পোল্লগা মথোং-মরম খঙদনা, মরম ইচা চাদনা হেক শিবসিবু করিনো। নহান কোভিদ-১৯গী হীদাক কাপ্পুরগা ইকুই কুইদনা অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমা লৈখিদ্রে হায়বগী পাউ তাবদা মীয়াম্না পেন্নদবগী ঈহৌ লাকখি। কোভিদ-১৯গী হীদাক কাপ্পা হায়বসিমক্তবু শাথী-খ্রবা লায়নাদুদগী কন্ননবগীদমক্লি। লৈঙাক্না থোকপা ওর্দর অমগী মতুংইন্না মীয়াম্না কিনরবা লায়না অদুনা ঙমহনবা য়াদে, ঐখোয়না নমথদুনা থমগনি, মাবু মায়থীবা পীগদবনি হায়দুনা মতম চঙনা, শেল চঙনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনরিবনি। অদুগদি লাইবক থীবা থৌদোক অদু থোক্লে। লুরিবনা হীদাক অদু কাপ্পুবদগী থৌদোক অদু থোকখিব্রা নৎত্রগা মশাগী অনাবা লৈবনা মরম ওইরগা থৌদোক অদু থোকখিব্রা হায়বা মথোং-মরম খঙদ্রি। পোষ্ট মোর্টেম নিংথিনা, চেকশিন্না তৌরগা অচুম্বদু পুথোক্কনি হায়রি। মায়কৈ অনীমক্তগী নুংঙাইবদি অমত্তা য়াওদে। পূম্নমক্না শাথীনা নুংঙাইনদে।

কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কোভিসিল্ড কাপখিবী অঙ্গনৱাদি ৱার্কর কুম্বী তেরাখাদগী নাওরেম সুন্দরি (৪৮) গী মীশি অসি হীদাক কাপ্পুরবা মতুং নুমিৎ ৭নি লৈরগনি। হায়বদি হৌ-খবা তারিখ ১২দা কাপ্পুরবা মতুং শিখিবনা তারিখ ১৯দনি। ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগী ৱা মতুংইন্নদি মহাক্কী মশাদা অনাবা ক্রোনিক নৎত্রগা মতম কুইনা লোয়নদুনা লাক্লবা অতোপ্পা লায়না অমত্তা লৈতেদি হায়রি। অদুবু পাউ অমগী মতুংইন্নদি হান্ননা এজমা অমদি এলর্জি খরা খরা তৌগল্লি হায়নসু পল্লি। য়াম্না কা হেন্না লুবা লায়নামক্তি ওইরম্লোই। তৌবতবু হীদাক অদু কাপ্পমদ্রবদি মহাক শিরম্লোই হায়বসিনি। ফ্রন্ট ৱার্কর অমা ওইরুবগী মহাকপু লৈঙাক্কী ওর্দর মতুংইন্না হীদাক অদু নমদুনা কাপ্পনা শিখিবগী মরম অদুনা লৈখিদ্রবীগী ইমুং-মনুংগী অৱাবা য়েংলগা লৈঙাক্না মতিক চাবা কম্পেন্সেসন পীগদবনি হায়বগী ৱাকৎ চেরোলসু চীফ মিনিষ্টরদা লানশিনখ্রে। অসিগুম্বা থৌদোক অসিদি য়াম্না তাঙনা থোকপা থৌদোকনি। হীরম অসোমদা লৈঙাক্না থম্মোয় শেংনা অমদি থৱায় য়াওনা য়েংশিনহন্নীংই।

হৌজিক্না কৈদৌরে। ফ্রন্ট ৱার্কর অয়াম্বা হীদাক কাপ্পদা কিবা অমদুম ফাওনরক্লে। নখোয়গী কোভিসিল্ড হায়বা হীদাক্তু শুংকাপ হেক কাপচনীংদ্রে, খাঙুথক্তা তৎখিদৌ শরুক, য়ারে-য়ারে ওকচরে-পেঞ্জরে কায়দনা হায়বা মীওইসু য়াওরক্লে। কোভিদ-১৯ শুকনা হেক নাদনা হীদাক কাপশিল্লুবদগী করি থোক্লে। মনিং থোঙ ফাওদোক্লগা চেঞ্জরগে কো মেদাম, সিষ্টর নখোয়দা ওইনা কাপচরো অসিনি। পূম্নমক অসি ওইদুনসু লৈঙাক্না লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিদি মীয়ামগী য়াইফনবনি, নখোয়বু হাৎতোক্লগে হায়দুনা হীদাক কাপশিনবা নত্তে খঙজিনবদি ফৈ। থবকসু ৱানা পাঙথোকচরগা মরাল শীজিনবীবদি ফত্তে। ষ্টেট অসিগী ওইনা ফেব্রুৱারী ১৯ ফাওবদা পূন্না মীওই ৩৮৪৮৪দা ভেক্সিন অসি কাপখিবদা মাইল্ড রিএক্সন লাকখিবা কেস ৪৬ থেংনখিবা নত্তনা অসিগুম্বা মীশি মীনাগী থৌদোক অমত্তদি থোকখিদ্রি। মীয়াম পাখৎপীগনু হায়নসু লাউথোরকখ্রে। অদুবু কাপকদৌরিবা হেল্থক্যের ৱার্কর অমসুং ফ্রন্ট লাইন ৱার্কর অয়াম্বদি থম্মোয়দা চিংনবা কোকউ হায়বমক্তি য়াদে। মীহুন অসি চেঙ্গুম-চেঙ্গানবগী ফীভমদা লৈনরি। পূক্লিং ইরুম-লূম্মু হায়বা য়ানদ্রি। মরক অসিদা থৌনা ফবা-ফবি কাঙবুদি হৌজিকসু পংকাপ্তা কাপ্পরি। হৌজিকমক্কী ওইনা অতোপ্পা মীশি মীনাদি অমুক য়াওরক্ত্রে। অদুবু কনানা তম্বদি ঙমগনি।

নুপী অদুনা শিখিবা নুমিৎ অদুমক্তদনি ঐহাক্না নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সীগী মনুংদা লৈবা মেকোলা কম্যুনিতি হেল্থ সেন্টরদা চৎখিবদু। ঐহাক্না চৎখিবা থবক অদু ইরন্নাইগীদি নত্তে, ফেমিলিগী ওইনা অঙ্গনৱাদি সেন্টরদা থবক তৌবী নুপী অমখক্কী হীদাক কাপ্পা চৎমিন্নখিবনি। মী শিবা য়াওরে হায়বগী পাউদি তানরে। অদুবু মহাক্তি কিবিদে, থৌনা ফৈ। হীদাক্তু কাপথরুরগে সিনি মহাক্না চৎমিন্নরুরিবদুসু। নাওরিয়া এ সীগী মফম খরদা লৈরক খুল্লক লম্বী ফৎত্রবসু কোয়লাস থাবা নুংঙাইবা অশম্বা লম্বী ফাওদুনা মেকোলা তম্না চৎখি। মেকোলা হায়বা ৱাহৈ অসি এ সী অসিদা কয়ারক হন্না মীখলদা কাদুনা মিনিষ্টর অমদি রাজ্য সভাগী মেম্বরসু ওইরম্লবা লাইরেঞ্জম অঙৌনা থোনবীরম্বনি। মৈত্রম, কোদোম্পোকপী অমদি লাইরেঞ্জম খুল অহুমগী ময়ায়দা লৈবা তাইনফম খুলনি। লমলোংসু অহুম ফাংই। সী এচ সী অদুদা ঐহাক অমুক্তদি চঙখিদ্রি। থিরগা, হংলগা চৎলিবনি। ইহান হানবদা লমলোং অদুগী অৱাং থংবদা ওফিস অমা থেংনরে। ভেরেন্দাদা মীওই খরসু লৈরম্মী। অসিদা ওইরম্লনি খন্না গাড়ী খাম্লগা কুমথদুনা হংই - "হীদাক কাপফমদুবু সিদা নৎত্রো?" - 'এ শোয়রে-শোয়রে। তু! অসোমদনি মখারোমদা গাড়ী খাম্নরিবা অসিদনি। মফম অদুদনা ষণ, হুইগুম্বা হীদাক কাপফমনি।' ওন্থোকপনি, মফমদু য়েংখৎলুবদা ভেটিরিনরিগী সাইন বোর্দ থেৎলম্মী। ঐবু লাইরিক হৈতবা বুদু মাল্লন্নলনি খন্না ইথন্তা ইকায়জরকই। ওহ! কয়াদা মায় থকখ্রবনো।

সী ঐচ সী অদুগী গেট লানশিল্লুবদদি চে-চাং, করি-করা থাংদোক্তুনা নুপা অমা ফমদুনা লৈরম্মী। তৌগদবা মরম হংজরে। চুম্লে। টিক মার্ক তৌশিন্দুনা হীদাক কাপ্পা চঙশিল্লে। সিষ্টরহোয় ফমদুনা লৈরম্বা কাদুদা চঙশিন্দুনা ইবেন্মদু হীদাক কাপথোক্লে। অতোপ্পা রুম অমদা চঙউ হায়দুনা অমুক ফমহল্লি। কয়া কুইগদবনো হংলুবদা পুঙ্খায় অমরোমনি, করি রিএক্সন লাকপগে য়েংনবনি হায়রকখি। খ্বাইদগী ঐনা তনবসিদি ঙাইবসিনি। মতম য়েংলুবদা হায়রিবা মতমদুদি হেল্লে। লাউরুই - পুং হেল্লে, চৎলসি। মখোয়সু নোক্লপদি তৌই। করিসু তৌবিদ্রে। ফোটোগা কাপহৌরগা থাদোরক্লে। ঐনা হায় - হে নুপী নঙ থৌনা ফেকো। অতৈদি লায়না লৈ, অঙাং চেল্লি, মীরোল্লি, অনাবগী হীদাক চারিকা হায়জিন্নরগা হীদাক কাপ্তুনবা ত্রিক তৌনরি। নঙদি প্রাইজ পীবা য়াইকো! মহাক হৌজিক করিসু তৌদ্রে, তিক-তিক লাউনা হিংলি। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৭

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

ইন্দিয়াদা মীশিং য়াম্বা মীওই ফুরুপ (মেজর কম্যুনিতি) তরেৎ লৈ। অদুগা মমালোল ওইনা ঙাঙবা লোল মচা (দাইলেক্ট) মশীংনা ১৯,৪০০ লৈজরবসু ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী ৮শুবা সেদ্যুল্ডদদি ইন্দিয়াগী অচৌবা লোল (মেজর লেংগ্বেজ) ২২ (কুন্নিথোই) দমক ইন্দিয়ান কন্সটিট্যুসন্না মশক খঙই। মখোয়শিংদুদি - অসামিজ, বেঙ্গোলি, বোড়ো, দোগ্রী, গুজরাটি, হিন্দি, কানাড়া, কাশ্মীরী, কোনকানি, মাইথিলি, মলায়ালম, মৈতৈ (মণিপুরী), মরাথি, নেপালি, উদিষা, পঞ্জাবী, সংস্কৃট, সন্থালি, সিন্ধি, টামিল, টেলেগু, উর্দুনি। (Source : Quora) মীশিং য়াম্বা ফুরুপসু ওইরগা চোল্লপ্পা ষ্টেট অমমমদা খুদম ওইনা অসাম, বেঙ্গল, পঞ্জাব, টামিল নাদু, হান্নগী অন্ধ্র প্রদেশ ওইরিঙৈ নচিংবদা লৈবশিংনদি মখোয় মশাগী মমারোলশিংদা ঙাঙনৈ, ইনৈ, ৱারী-ৱাতাই লোইনা তৌনৈ। মসি নত্তবদনা, মরম খরদগী মরোল মান্নবা মীওই কাঙলূপ মশীং খরা য়াম্না মীরমদা হায়বদি ইন্দিয়াগী মফম খরদা নৎত্রগা ইন্দিয়াগী ৱাংমদা লৈবা মতমদা মমালোলদা ঙাঙনরগা লমদমদুগী ওইবা লোলসু খঙনবা হোৎনবা অদুম য়াওই। খুদম ওইনা পঞ্জরবদা, মেদিকেল তম্বা-তম্বী মহৈরোয়শিংনা মীরম অমদা চৎলগা মহৈ মশীন তম্বদা লমদমদুগী লোল খঙবা মথৌ য়াম্না তাবনা অহানবগী থা খরদি লমদমদুগী লোল তমই হায়বসি অচুম্বা থৌওংনি হায়জনীংই। লমদমদুগী মীওই খরনসু লমদমদুদা লৈরবা মীতোপ (লমদমদুগী ওইনদি) তুগী লোল খঙলগা ৱারী ৱাতাই, খুদম ওইনা, লল্লোন ইতিক্কীবু ওইরবসু তৌবা অদুম য়াওনৈ। হোৎনবা কনবা/খরা খঙগনবা মী অমদদি মমালোন্দগী হেন্দোক্না অতৈ সেদ্যুল্ড লেংগ্বেজগী মনুং চনবা লোল/চন্দবা দাইলেক্ট খরা খঙবা য়াওই। মসিগী কান্নবদি মরোল মান্নবা মী অমগা অতোপ্পা মান্নদবা মীওই খরগা পাউ ফাওদোক ফাওজিনদা হেন্না খুদোং চাহনবদুগী ৱানি। লোল অমনা লোল অমবু নমথবা হায়বগী ৱাখল্লোনদি নৎতে হায়বা য়াই। অদুম ওইনমক হীরম খুদিংমক্তা অচৌবনা অপিকপবু নমথবা/নমহৎপা হায়বসিদি অদুম তৌদুনা লৈবনা মহৌশানি হায়বদি চৎনবীনি হায়বা তারে। মতাংসিদা মালেমগী ওইনা লৈরিবা লূপ য়ুনেস্কোনা মালেমগীদা লৈরিবা মমালোলশিংবু কঞ্জনবা হক্কীদমক চহী খুদিংগী ফেব্রুৱারী ২১বু ইন্টরনেসনল মাদর লেংগ্বেজ দে হায়না কুমজা ১৯৯৯দগী লাউথোকপসি ফেব্রুৱারী ২১, ২০০০দগী ৱর্ল্ড (মালেম) গী মফম পূম্নমক্তা থৌরমসি পাঙথোক্লরকখ। মালেমদা লৈরিবা মীওইশিংনা মশা মশাগী মমালোলশিং শোয়দনা ঙাঙজবা ঙম্নবগীদমক ইন্টরনেসনল মাদর লেংগ্বেজ দে ২০২০গী থিমদি "Languages without borders" হায়বসিনা ওইখি। হন্দক চৎলিবা চহীসিগী ফেব্রুৱারী ২১, ২০২১গী থিমদি "Foastering multilingualism for inclusion in education and society" হায়বসিনা ওইখি হায়রি। মালেমগী ওইনা লাইরিক তম্বদা অমসুং খুন্নাইগী থবকশিংদা লোল ময়াম অমা য়াওহনবা হায়বসিনা তাক্লিবদি অকক্লবা লোল নৎত্রগা মমালোল অমনা হেক্তা লোল অতৈগী মহুৎ শিনবা য়ারোই। মতাংসিদা থমজনীংলিবা ৱাফমদি ইন্দিয়া য়াম্না চাওবা হীরম কয়াদা মান্নদবা/লোল লি, চৎন-লোনচৎ মান্নদবা, লাইনীং ফাওবা মান্নদবা খরা য়াওবা মীওই কয়ানা পূন্না লৈবা লৈবাক ওইবনা 'ৱান নেসন ৱান লেংগ্বেজ' হায়বসিদা করিগুম্বা চথুনবা হোৎনবা তারবদি অতৈ মমালোল অমদি মরোল ময়েকসু লৈজবশিংদা নমথনবা থৌরাং তৌবা ওইনা থোক্কদবনা খন্থবা চুমলোইদ্রা হায়বসিনি। ইন্টরনেসনল মাদর লেংগ্বেজ দে হায়দনা চহী খুদিংগী থিম হোং-হোংদুনা মালেমগী মফম পূম্নমক্তা পাঙথোক্লিবসিগী মরু ওইবা পান্দমদি শম্না হায়রবদা মমালোলশিংবু য়োকখৎতুনা থমহনবসিনি। মসি য়াম্না ফজবা ৱাখল্লোননি।

ইরমদম মণিপুর (কোন্না ১৮শুবা চহী চা হৌরকপদা কৌরকপা মমিং) না ষ্টেটসিদা লৈরিবা মীওইশিংবু মণিপুরী, অসামদা লৈবশিংবু অসামিজ হায়বা অদুম হায়না অদুগা লমদমসিদা ঙাঙনবা লোলবুনা মৈতৈ (মণিপুরী) ওইবসি ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসনগী ৮শুবা সেদ্যুলদা চনবা মতমদা ময়েক্তি বেঙ্গোলি ময়েক্তা ওইনা লৈরিবসি ইরমদমগী ময়েক 'মীতৈ ময়েক' চৎনবা হৌনবা মীলালনা কন্না চেঞ্জ-চোঙজবা তৌবদগী (অতৈ থৱায় য়াওবা মীওই কয়াসু য়াওনা) কুমজা ১৯৭৯দগী প্রাইমারি থাক্তগী তম্বা হৌহনবদগী হৌজিক মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা এম এ (মণিপুরী) ফাওবা তম্বগী থাক য়ৌশিল্লকপদগী নৌনা হৌগৎলকপা মহৈরোয়শিংদি বেঙ্গোলি ময়েক্তা ফোঙবা পাউচেশিং, চেফোঙশিং অমদি হান্না ফোঙখ্রবা লাইরিকশিং পাবা থোক্তবগী অৱাবা কয়া মায়োক্নরে হায়বসি ইখঙ খঙনরবা ৱাফমনি। মসিনা মরম ওইরগা হৌজিক চৎনরিবা বেঙ্গোলি ময়েক্কী মহুত্তা মীতৈ ময়েক ওইনা মহুৎ শীনজিন্নবগী মতাংদা মীতৈ ইয়েক ইরোল লোইনশিল্লোন অপূনবা লূপ (মীলাল) না শীন্দুনা মীয়ামগী ওইবা মীফম অমা জন্যুৱারী ২৮, ২০২১দা ইম্ফালগী গান্ধী মেমোরিয়েল হোলদা পাঙথোকখিবা মীফমদুদা লৌখিবা ৱরেপ অমদি - মণিপুরী লোলদা বেঙ্গোলি ময়েক শীজিন্নদুনা পুথোক্লিবা পাউচে অমদি চেফোঙ পূম্নমক মথং চহী ২০২২গী ফেব্রুৱারী ৫দগী মীতৈ ময়েক্না মহুৎ শীন্দুনা ফোঙবা হায়বসিনি। মতাংসিদা নীংশিংবদা য়াম্না কান্ননীংঙাই অমসুং পূক্লিং নুংশিনীংঙাই ওইবা ৱাফম খরদি - কুমজা ১৯৭৯দা ষ্টেট লৈঙাক্না মীতৈ ময়েক অসি শক খঙবীখ্রিবা মতুংদা লৈঙাক্না লমদমসিগী ইয়েকসি য়োকখৎপীনীংবগী ফীভম উরকপদগী মীলালনা ৱাখল মান্নবা লূপ অমদি মীয়ামগী অকনবা ঈহৌ শাগৎলকপদগী মমৈথংদা কুমজা ২০০৬তগী প্রাইমারিগী থাক্তগী মীতৈ ময়েক্তা মহৈ তম্বা হৌখিবনা হৌজিক মাষ্টরগী থাক ফাওবা য়ৌরক্লে হায়না লোকল পাউচেশিংদা চৈচৎ ২৯/১/২০২১দা ফোঙনবা লৈখিবসিনি। অমুকসু থমজনীংলিবা ৱাফমদি লমদমসিগী ইরোলদা নত্তনা ইয়েকসু লৈজরিবা লমদম অসিবু ষ্টেট লৈঙাক্না পূক্লিং থৌগৎপীবা ৱাৎপা মানবা মওং অমদি কুমজা ১৯৭৯দগী লৈঙাক্না মীতৈ ময়েকপু শক খঙবীখ্রবা ফাওবদা লৈঙাক্না হৈনীংনা বেঙ্গোলি ময়েক্কী মহুৎ মীতৈ ময়েক্না চহী খরগী মমাঙদগী শীন্দোক্নবগী থৌরাং অমত্তা পায়খৎপীদবসিনি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## খুল্লৌ পল্লৌদবা লমদমদি ওইদ্রবনি

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

মহৈরোয় লৈতে ওজা য়ামই। তাকপীনবা ওজা লৈনা-লৈনা করিগীদমক মহৈরোয় মরাং কায়না লৈত্রিবা? গভর্ণমেন্টকী স্কুলদগী প্রাইভেট স্কুলগী মহৈরোয় মশীংনা করিগীদমক হেল্লিবা? মসিসু অঙকপনি। প্রাইভেট স্কুলগী ওইনা থা অমগী থিদবা য়াদ্রবা ফী লুপা কয়া? হায়রুদনা করিবু কান্নগনি। লৈত-লায়রবা মচাশিংগীদমক্তদি প্রাইভেটকী স্কুলশিংসি য়েন্মৌনবা হায়বদুনি। মসিমা খুদক্তা ফাবা হায়বদুমদি থাজবা ৱাৎতুনা অদুমক লৈরগদবনি। মমা-মপা ওইবশিংনা গভর্ণমেন্টকী স্কুলদা তমহনববুদি প্রাইভেট স্কুলদা তমহনবনা হেল্লি হায়বগী ৱা-খলসিমা লৈতবা নত্তে। তৌবগীসু মেট্রিক্কী পরিক্ষা হায়দোরকপদসু শোয়দনমক্কী মকোক ওইদৌরিবা মহৈরোয় শোয়দনা প্রাইভেট স্কুলগীনা অদুমক ওইরদবনি হায়বসিমা ফক্লাংদা লৈতুম্না থাবদৌনা থোক্লবনি। করি-করিগুম্বা মতমদা প্রাইভেট স্কুলগী ওজাশিংনা থাগী ওইনা ফংলিবা তোলোপ হেনগৎনবগী ৱাকৎ মীফম তৌখিদা হায়বা মসিমা শুকতাবু তাদ্রবনি। মুন্না খল্লুরবদি থাগী ফংলিবা তোলোপনি হায়রিবা অদুনা মচা-মশুগী, ইমুং-মনুংগী ঙাচেৎ-থুমচেৎ কোন্নরমগদবা মান্দ্রবনি। অসুক ৱানা হিংনবগী লম্বীদা চেকমুক লাওদনা হিংদবা য়াদনা হিংবসি থাগৎনীংঙাইগী মশকনি। প্রাইভেট স্কুলদা ওজা ওইরগা মহৈরোয় কয়া ট্যুসন তৌবা মসিসু অদুমক য়াওনরিবনি। মসি মুন্না খল্লুরবদি মহৈরোয়শিংগীদমক্তদি অফবা ওইনবগী লম্বীনি। প্রাইভেট স্কুলদা তম্বা, ট্যুসন তৌবা অনীসি মমা মপা ওইরিবা মখোয়না শেন্থোক লম্বীদা মরাং কায়দ্রবদি থাজবা অদুমক ৱাৎতুনা লৈদৌরিবনি। লায়রবা মীনা লৌ উবদা ফৌ ফজনা থোকপা ঙমদবগুম, লায়রবা মচা-মশুনা লাইরিক লাইশু তম্বদা মনীং থুংদবা মসিমা মতম শাংনা লৈখিগদৌরিবনি। করি-করিগুম্বা মতমদা লায়র-চুদৎনরবা ইমুংগী মচা-মশুনা মকোক মথং তারকপা মসিসু য়াওদবদি নত্তে। মসিদি থাবল ফবা অহিংদা খঙহৌদনা চুরকপা নোংগুম্বনি হায়বদা লানগদবা মান্দ্রবনি। গভর্ণমেন্টকী ওজা অমনা থা অমদা ফংলিবা তোলোপসি লুপা কয়ানো? ফংলিবা তোলোপ অদুনা প্রাইভেট স্কুলগী ওজা খরদি...।

মসি পংহায় হায়জিনবা নত্তে। থবক ফংদ্রিঙৈদদি গভর্ণমেন্টকী থবক অমত্তং ফংলবদি কয়াদা নুংঙাইগবনো? মসিমক খন্নদবা নত্তে। থবক চঙলবা মতুংদা অপেনবা ওইরক্তবগী ৱানি। আই আর বি, মণিপুর রাইফল, মণিপুর পুলিস লৌগনি হায়রবা পাউচেগী খূথাংদা ইঞ্জোল য়োঞ্জরি, লৌ য়োঞ্জরি হায়বা মসিমা শুংশোয় শোয়দনা লাক্কদৌরিবনি। গভর্ণমেন্টকী থবক অমা চঙবদা শেল মনা অমা ফাওবা তিংখিদে হায়বা মীওইদুসু চহী অহুম/মরি ফারক্লবা মতুংদা থবক চঙখিবগী শেনফমদু নোংমদি মচিন্না থোক্না হায়দোরক্কদৌরিবনি। মসি ফক্লাংদা লৈতুম্না থাবগুম থোক্লগদবনি। অহৈবা-অখঙবা, তৌবা ঙম্বা মীওইনা থবক্কীদমক শেল লৌখিবা, থবক্তি ওইদদনা শেল হন্দবা ফাওবা য়ৈথোক-য়ৈথোক্তুনা লৈতবা নত্তে। পূম্নমক হিংলিঙৈগী মতমসিদা অদুমক থেংনরগদবা ঙাক্তনি। মসি হায়জিনবা য়াবা নত্তে। অচুম্বা হায়বদুমদি ওইদনীংঙাই লৈরোই। লমদমসিদা হিংলিবা মীওই অয়াম্বা ঈজৎ ঙাক্লবা হোৎনবদা খাঙেনফম য়ৌরবসু থোইদোক্তে হায়বা মীনা অয়াম্বা ওইনা হিংনরবনি। মসি ওইদ-পাদবদা হায়জিনবদি নত্তবনি। শেন্থোক লম্বীসিবু মরাং ইকায় কায়দ্রবা অদুগুম্বা মীওইদু হৌনা-লোনচৎ খরদি ৱাৎপগুম্না খনবা মসিমা মরুপ-মপাং, মরী-মতানা শোয়দনা খন্দনিংঙাই লৈরোই। শুরগা, নোম্লগা নোংমগী চরা তাল্লিবা মীওইদুনা তৌগদৌরিবসিবু করিনো? নোংমগী ফংলকপা, তাল্লকপা শেনফমদুদি নোংমগী চাদবা য়াদবা পোৎলমশিং লৈবদা চঙ-খদৌরিবনি। লেমহৌগদৌরিবা শেলদু কয়ানো, নোম্বা কনবা কোনজেং কোকফাইনা নোম্বা মখৈ নোম্লগা মনগন্দা মরূম থুই হায়বা অদুগুম্না ওইবা অরানবা হায়বদু নত্তবনি। লায়রবা মচাশিংগী মনুংদা মহৈ মশীন ফনা নিংথিজনা হৈরবা কয়া য়াওদবা নত্তে। গভর্ণমেন্টকী থবক অমা ফংনবা হোৎনবদা ইন্টরভিয়ু কয়া অমা য়াওদুনসু অৱাৎপা খরা অদুমক য়াওবনা মরম ওইদুনা থবক্কী ভাবোক তাদুনা তোকপনা অয়াম্বা ওইনবসিনা ৱাখল ফাজিনবা ঙমদনা ইন-খৎলকপা নহারোল খরদি ময়ূম মকৈ থাদোক্তুনা.... পূম্নমক ইরমদমসিদা য়াওদে, লৈতে হায়বা য়াবা নৎত্রি। নোংমৈ পায়রগা মরূ য়াওদবা হায়বসি নোংমৈদুগী শীজিন্নফম খঙগদবা মতাংদা মরূ য়াওদ্রবনিনা চৈতুপ অমা পায়রগা মান্নবা হায়বদু ওইদৌরিবনি। মতৌ অসুম্না মরূ য়াওদ্রবা য়েংবদা নোংমৈ ওইরিবসি য়ামদ্রবদা লাইরিকসু ফজনা হৈবা, শেলসু ফজনা পায়বা, শঙ্গসু ফজনা লৈবা মসিদবু থবক ফংলোইদবগী অর্থ থোক্লোই করম হায়গনি।

গভর্ণমেন্টকী থবক তৌদ্রবসু হৈনগদবা, খূৎলোইগদবা থবক অমা হেক্তমক তৌগে হায়বগী ইহুল অমা অয়াম্বা নহারোলশিংদা লৈদা হায়বা য়াগদৌরিব্রা? লমদমসিদা মপান্দগী চঙলক্লিবা মীতোপ মীয়ামচাশিংসিদি থবক্তদি চিলহাও থিদবা মরম্না নোংমগী ওইনা অফং-অফংবা শুগনি-নোমগনি হায়বসিনা মখোয়গী লাইনীং ওইরিবনি। ময়ূম থাদোক্তুনা হিংনবা লম্বীদা হিংদবা য়াদে খন্দুনা ময়ূমদা লৈহৌবা মচা-মশু, মমা-মপা, শাগৈ নাতৈ পূম্নমক নুংশি-নুংশিনা কায়নদুনা ইরমদম লমদমসিদা ... মসি মুন্না খল্লুরবদি মীওইবা অমা ওইনা নুংশিনীংঙাইনি। মীওইবা মশেল নুংশিনদনা শা-ঙানা নুংশিবীরক্কদবা নত্তে। চিথ্র-নান্থবা তৌদনা মালেম শিনবা থুংনা লাইচৎ অমনা লায়র-ইনাকখুনবা খায়দবমখৈ তাইবঙপাল থাদোকহনখ্রবা ৱানরবা মতমসিদা পুংফ-ফবসু নত্তবদা ঐখোয়গী অনীংবা অপাম্বা হন্দক্কী মতাংসিদা তানহৌদবা য়াদে খন্দুনা ... মসিদা অখঙবা অতাবা মীওইশিংনা করিনো খল্লমগদৌরিবা? ঈরাং তোক্লগদবা রাশি লৈরবা ইরমদম লমদম লমনুংশি থবক ফংহৌদবা মীওইশিংদি করি তৌবা তারি? শুবা নোম্বদা ঈজৎপু করিসু লৈতনা খল্লবা মীয়ান মচাশিংগী হিংদবা য়াদনা হিংগদবনি খনবা মসিমক ঐখোয়দা লাক্কদৌরিবনি।

*অদোমগী - হেমজিৎ ইরোম্বা*
*খুরাই লাইৱাংবা মমাঙ, ইম্ফাল*